# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ নাশাংবী

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা নুংশিহীদাক পান্বী মখল খরা হৌবা অমসুং থানবশিংগী মনুংদা নুংশিহীদাক-নাশাংবী অসিসু অমনি। ময়াম্না য়াম্না তোয়না শীজিন্নরিবা অমদি কৈথেলদা ইমা ইবেলশিংনা য়োন্নরিবা নুংশিহীদাক মখল অসিনা ফিল্ড মেন্থা (Fielf mentha), বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *মেন্থা আর্ভেন্সিস (Mentha arvensis Linn.)* হায়না কৌই অদুগা নুংশিহীদাক নাশাংবী পান্বী অসিনা ইংলিসতা পির্পমিন্ট (Peppermint) নৎত্রগা কেন্দিমিন্ট (Candymint), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *মেন্থা পিপরিতা (Mentha Piperita Linn.)* নৎত্রগা *মেন্থা বালসামিয়া (Mentha balsamea Willd.)* হায়না কৌই অমসুং *লেমিয়েসী (Lamiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না নুংশিহীদাক পান্বী মখল (Species) ২৫গী মথক্তা লৈ। নুংশিহীদাক নাশাংবী পান্বী অসি অতোপ্পা নুংশিহীদাক পান্বী মখল অনীনা য়ানশিন্নরগা হায়বদি ক্রোশ তৌরগা মহৌশাগী ওইনা ওইরকখিবা মখলনি। হায়রিবা মখল অনী অদুদি - (১) ৱাত্তরমিন্ট নুংশিহীদাক পান্বী (Mentha aquatica) অমসুং (২) ইসপিয়রমিন্ট নুংশিহীদাক পান্বী (Mentha spicata) অসিনি।

নুংশিহীদাক - নাশাংবী পান্বী অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৫৩দা কার্ল লিনিয়স (Carl Linnaeus) না ইংলেন্দা শকখঙদুনা নৈনখি। মতম অদুদা মহাক্না পান্বী অদু মপূং ফাবা অমদি মনীং তম্বা ইস্পেসিস (Species) অমা ওইনা শকখঙখি অদুবু ঙসিদি পান্বী অসি য়ানশিন্নরবা হায়বদি হায়ব্রিদ অমনি হায়না য়ানরে। ঙসিদি নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি তোঙানবা মখলশিং (Cultivars) শেমদুনা থানখরে। মরু ওইবা মখল খরদং পল্লবদা - দুলগো পোল (Dulgo Pole), জেফীর (Zefir), বুলগেরিয়ান পোপ্যুলেসন (Bulgarian population), মীতচাম দিগনে (Mitcham Digne), মীতচাম রিবেকোর্ট (Mitcham Ribecourt) অসিনচিংবশিং শীংথানবা য়াই। তশেংবমক্তি নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি য়ুরোপ অমসুং মিদল ইষ্টকী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। পান্বী অসি মহৌশাগী ওইবা মফমশিংদা (Wild) খরা খরা হৌজরবসু ঙসিদি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা য়াম্না পাক-শন্না থানখরে। নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি মপান্দগী পুশিল্লক্লগা থাবসি নত্তনা মহৌশাগী ওইনদি হৌদে।

নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি চহী অমদগী হেন্না পুনশিবা ফুট ৪ ফাওবা ৱাংবা অমগা মউ (Rhizome) খরা তাবা পান্বীনি। ঐখোয়না য়াম্না তোয়না শীজিন্নরিবা মেন্থা আর্ভেন্সিস হায়রিবা নুংশিহীদাক পান্বী মখল অসিদি ফুট ২দগী হেন্না ৱাংদে। ঐখোয়না খঙজিনবদা য়াম্না কান্নবা ৱাফম অমনা নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসিদি মরূদগী চারা শেম্বা মায় পাক্তে। মরমদি পান্বী অসি হায়ব্রিদ ওইবননি। পান্বী অসি অমুক থাখিবদা লৈবাক্কী মথক্তা মকা ওইনা শাংনা চত্তুনা অকোয়বদা শন্দোকখিদুনা অনৌবা পান্বী কয়ামরুম পাক-শন্না শন্দোকপা ঙম্মী। হায়রিবা মকাশিং অদু মতেক-মতেক কক্লগা য়াম্না লায়না চারা শন্দোকপা য়াই। নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি মঙ্গ্রা মচু চংলপ তৌনা অকুপ্পা লৈশিং অশাংবা মখোক্তা তুলসি পান্বীগী মপালগুম্না শাৎলি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা পান্বী অসি থাবদা য়াম্না থুনা চাউবা অমদি মচা পোকপা ঙম্মী। নুংশিহীদাক পান্বীশিং অসি খরা চোত্তক তৌবা অমদি হোমতক তৌবা লৈবাক-লৈশাদা য়াম্না মপূং ফানা হৌবা ঙম্মী।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীদা মেন্থোল (Menthol) হায়রিবা পোৎচাক অসি চাং য়াম্না য়াওই। নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীদা ইসেন্সিয়ল ওইল হায়রিবা থাউ অসি চাং ৱাংনা য়াওই। হায়রিবা থাউ অসিদা য়াওবা মরুওইবা কম্পাউন্দশিং অদুদি মেন্থোন (Methone) অমসুং মিথাইল এসিটেট (Methyl acetate) অসিনি।




পাউদম অমগী মতুং ইন্না নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীগী থাউ অদুদা মেন্থোল চাদা ৭-৮, মেন্থোন চাদা ২০-৪৬, মিথাইল এসিটেট চাদা ৩-১০, মেন্থোফ্যুরান চাদা ১-১৭ অমসুং ১,৮-সিনিওল চাদা ৩-৬ ফাওবা য়াওই। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা লিমোনিন (Limonene), পুলেগোন (Pulegone), কেরিওফাইলিন (Caryphyllene) অমসুং পিনেন (Pinene) শিং হন্থবা চাংদা য়াওবগী পাউদমসু লৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না মালেমগী ওইনা কুমজা ২০১৪দা পুথোকখিবা নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীগী পোথোক অদু তোনস (tonnes) ৯২,২৯৬ ওইখি। হায়রিবসিগী মনুংদা চাদা ৯২ রোমদি মোরোকো হায়রিবা লৈবাক অসিখক্তনা পুথোকখি অমসুং মসিগী হেক মথংদা অর্জেন্টিনানা খ্বাইদগী হেন্না পোথোক পুথোকখি। অমেরিকাগী মনুংদা ওরেগোন অমসুং ৱাশিংটননা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা নুংশিহীদাক-নাশাংবীগী পোথোকশিং পুথোকই।

নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অমসুং মসিগী থাউ অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। পান্বী অসিগী মনা অদু চা লোন্দুনা থক্লবগী মথক্তা আইস ক্রিম (Ice cream), মিথাই, য়ু মখলশিং, শায়নবা চিৰিং গম (Chewing gum), চিন শেংনবা হীদাক (Toothpaste), শম লুনবা শেম্পু, শাপোন অমসুং মখল-মখা কয়াগী মায়তৈ হীদাকশিং শাবদা শীজিন্নে।

নুংশিহীদাক পান্বী মখল অয়াম্বদা পুলেগোন (Pulegone) হায়রিবা মচল অসি য়াওবনা মরম ওইদুনা মখল-মখা কয়াগী তীল-কাংশিং হাৎপা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈ।

হীদাক ওইনা নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি পুক শৌগৎপা অমদি খোঙ হাম্বা য়াদবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। তোংশা কায়বা অমদি খূৎশা লৈথেকপদা নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীগী থাউ নৎত্রগা পান্বীগী মনা অদু শুগাইদুনা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। উনশাগী লায়না মখল কয়াদসু নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীগী থাউ অদু তৈদুনা লায়েংবা য়াই। তরানিপালশুবা শদ্বাতিদা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা মরুওইনা নোংচুপ থংবা লৈবাকশিংদা নুংশিহীদাক-নাশংবী পান্বী অসি পুক নুংঙাইতবা অমদি নুপীগী থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরম্বগী পাউদমশিং লৈ। কোক চিকপদা নুংশিহীদাক পান্বী শুগাইরগা শেম্বা মলম অদুনা লাইবক্তা তৈবদা য়াম্না কান্নে। অদুম ওইনমক য়ু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্নদি নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী অয়াবা পীদে। মীওই অমনা নুংশিহীদাক-নাশাংবী পান্বীগী থাউ অসি অমুক্তা মিলিগ্রাম ৫০০ রোমগী চাংদা পীজবদা মীওই অদু ওবা-ফাইবা অমদি হার্ট অদু দং-দং চোংহনবগী ওইথোকপশিং লৈ। অঙাংশিংদদি হায়রিবা থাউ অসি শীজিন্নবিরোইদবনি হায়বগী চেকশিন ৱা লৈ। ●




# লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোগী মীৎয়েংদা মীতৈ শেন্মীৎলোন

- লাইশ্রম ফিরান -

কুমজা ১৯৩০গী শেন্মীৎলোনগী চিরবা মতম (ইকনমিক ক্রাইসিস ওফ ৱর্ল্ড) অদুদা লাইনীংহন ফুলোনা অপোকপা লাইনীং অসিবু নৌহৌননা মালেমদা শক তাক্লম্মী। গৌড় লাইনীংদা লুপ্তুনা লৈরুরবা মীতৈ ঐখোয়বু অমুক হন্না মীৎ-মায় পাংহনবীরকপগা লোয়ননা মীতৈনা গৌড় লাইনীং চৎলুবদগী শেন্মীৎলোন্দা চাওথহনখিবা অসি খুদিমংমক 'ঐগী ৱারেং' লাইরিক্তা য়াম্না শম্না ফোঙদোক্তুনা থম্বীরম্মী। শেন্মীৎলোনগী ৱাখল্লোন (ইকনমিক থোটস) অসি তেনতক্লা মথংশিৎনা নৈনজরি। য়াম্না কূপ্না য়েংলুরবদি কছার লমদমদা তারিবা মীতৈশিংগী ফীভমবু য়েংদুনা মতম অদুগী মীতৈ খুন্নাইদা গৌড় লাইনীং মপূং ফানা চৎলকপা হায়বদি পামহৈবা নিংথৌদগী হৌরগা ইনিংথৌ চীংথংখোম্বগী হাক্তক ফাওবদা লাকখিবা মতৈগী লাইনীংগা মরী লৈননা শেন্মীৎলোন্দা শোকথখিবা খিবিকপু মচা তানা ফোঙদোক্লি।

*"নুপামচাশিংনা স্কুল অমসুং কোলেজ তমগদববু অহলশিংনা সংক্কির্ত্তনগীদমক থিংদুনা থম্বী।"* (ঐগী ৱারেং লা:-২৪)

মতমগী য়াওল মতুংইন্না মহৈ-মশীন তমগদবা খিবিক অমদি অনৌ-অনৌবা হীরমশিংদা খোঙথাং থাংগদবদু থাংদদুনা ওন্ন-তৈনবা লম্বীদা চঙশিনখিদুনা ফুরুপ অসিবু অমুক হেন্না লৈখা তানবা হোৎনরকখি। শেল তানগদবা মতমদা গুনজা কাওদুনা লৈহনখিবা মরম্না শেন্মীৎলোনগী ফীভম অসুম অসুম শোকচিনখিবা অমদি চাওখৎলমদাংদা নোংম-নোংমগী শোথরকখিবনি। *'মীতৈ য়ূমদা লায়রবনা মহুম শাবা'* হায়রিবা তাঙ্কক অদুদা অসুম্না হায়রি পুং, ঈশৈ, দুহার, পালা অমসুং লৈকায় কোয়বা তল্লিঙৈদা থবক মখৈ নাম্থোকখিদুনা লায়রখিবনি হায়বসিদি ৱাখল তৌনদে। পুং, ঈশৈ, দুহার অমসুং পালানচিংবসিবু মহৈ পূম্নমক্কী মপূংনি হায়দুনা মীতৈনা হায়নৈ। জ্ঞান, বিজ্ঞান হায়রিবসিদি ময়াংগী মহৈনি তম্লুরবদি মাংঙি হায়নরি।

লম য়োম্থোক্তুনা পুং, ঈশৈ তম্নবগীদমক মণিপুরদগী ওজা পুরকপা নৎত্রগা মণিপুর চৎতুনা তম্লুবা খঙদে মসিগী পোলোইদি লায়র তানবনি হায়বদি শেম্থোক লম্বীদা চঙশিনবা ঙমখিদবনা মরুওইবা মহৈ-মশীনদুদি থৌওইদনা অমসুং শেল পুশিল্লক্কদবা মহৈ অদুদি তুংওইননা থম্লগা লিকনা মথৌ তাবা অদুদা মায়ওনশিনখিবনা নোংমগী অসুম অসুম লায়র তানখিবনি। শাগৈ অমনা নুংঙাই য়াইফনা হিংবা তারবদি লুপা-শেল মরাং কায়হননা লৈহননবা হোৎনবগী মথৌ তাই হায়না খঙহল্লি। মহৌশাগী লৈজবা লন-থুম মাঙহনদনা মদুগী মথক্তা মতিক চানা শীজিন্নরবদতা শেন্মীৎলোন মরাং কায়হনবা ঙমগনি হায়বগী মীৎয়েং অমা চাউনা থম্বীরম্মী।

*"মীতৈ ঐখোয়না ইরু কুম্না তাল্লিবা শেনগা লংথোক্লিবসিগা থাংগৎতুনা য়েংনবদা লংথোকপনা ওম্থোক্লা খুথীনা হেনখরে।"* অসুম্না লাইনীংহন ফুলোনা *"মীতৈগী শেন চৎপগী লম্বী"* হায়রিবা তাঙ্কক অদুদা মীতৈনা বারুনি মেলানচিংবা কৈথেলশিংবু চহী খুদিংগী ওইরিবসিদি অফ-নুংঙাই খঙবা মীওইশিংনা তোনখ্রবা কুলিনচিংবা অপংবা ফুরুপতগী শেল লৌথোক্লবা লম্বী শেনবা থৌরাংনি। নাকল অমরোমদা মীতৈগী তৌজরিবা লল্লোন ইতিক্তা খুদোংচাদবা মরম কয়া থেংনবা খুদম ওইনা (১) পোৎ য়োনবা ঙমদবা (২) য়োনবা তারবসু অহোঙবা মমলদা য়োনথোকপা (৩) শেন্দোং য়াম্না ফংদবা (৪) অতোপ্পগা লম্বা পাবদা শোথহৌবা অসিনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুমনা মরন-মথুম য়োম্থোক্তুনা উমং কোক্তুনা অমুক য়ূমদাবা হৌই।

ঐখোয়না য়াম্না কূপনা য়েংবা তারবদি লাইনীংহন নাওরিয়া ফুলোনা থম্বীরম্বা শেন্মীৎলোনগী ৱাখল্লোন অসি সোসিও রিলিজিয়স ইকনমিক্স থিওরিনি হায়বা য়াই। মরমদি মীতৈনা গৌড় লাইনীং চৎপা মতম অসিদা মীতোপকী লাংদা পুনখিদুনা অমসুং মখোয়গী লাইনীংগী থৌশিল (পোলিসি) না ঐখোয়গী চাদিং তৌবগী লম্বী অসুম অসুম য়ামখৎখিবনা লায়র তানখিবনি। মীতৈ ঐখোয়গী মপাঙ্গন শোম্থহনবগীদমক মখোয়না লাইনীংগী মতেং লৌরগা মথৌ তাদবা মফমদা মখোয়গী কান্নবগীতা হোৎনখিবা অসিনা ঐখোয়বু লায়রহনখিবনি।

'মীতৈ হৌভম ৱারী' লাইরিক অসিদা মীতৈ ঐখোয়না করম্না শেল তুংশিনগনি অমসুং করম্না চাদিং তৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোন পীবিরম্মী। অসুম্না পল্লি *'নোং মরীক ময়াম্না চুরগা পাৎচাও থল্লি। খুন-খুন খুদিংনা তরা তিন্দুনা ৱাশক্লদুনা নোংমগী চাননবা চরাদগী চেঙ খূৎপায় অমমম থম্নরগা মদু য়োম্থোকখিবা পয়সা অদুনা তরা তিন্দুনা থবক অমতং হৌরবদি লায়রবা লমচৎ শোয়দনা কোককনি হায়না নীংজৈ।'* শেল করম্না তানগনি, চাদিং করম্না তৌগনি অমদি করম্না তুংশিনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন শম্না লংজিন পুথোক্তুনা তাকপীরম্মী। তৎতবা, তন্দবা অমদি ৱিল কনবা অহুম অসিনা পুনশিনদুনা থৌরম পাঙথোক্লগা নুংঙাই য়াইফবা মীওই নৎত্রগা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না খল্লি। হায়বদি মীওই অমনা করম্না শিন হৈবা (স্পিসিএলাইজ) নৎত্রগা স্কিল ওইবা (তোঙান তোঙানবা হীরমদা) ঙম্নবা তানগনি হায়বগী ৱাখল পুথোকপীরম্মী। কনাসু খঙ হৈদুনা পোক্লকপা নত্তে মহৌশাগী মতুং ইন্না মাগী মাগী হীরমদা অসুম অসুম চখিবনি। শেল তুংশিনবা (সেভিং) তম্বা অমদি চাওখৎ খোঙথাংদা করম্না তুংশিল্লিবা শেল অদু কায়থোক্লগা (ইনভেষ্টমেন্ট) মীয়ামগী য়াইফবা পুরকপা ঙমগনি হায়বনচিংবা ৱাখল্লোন কয়া 'ঐগী ৱারেং' অমসুং 'মীতৈ হৌভম ৱারী' দা ময়েক শেংনা থিন্দুনা তাকপীরি।

লাইনীংহন ইবুংঙোনা থম্বীরম্বা অপোকপা মচা-মনাই অমনা চৎকদবা পথাপ তরানিপানগী মনুং চন্না 'লন তানগনি' হায়বা অমা য়াওরি। হায়রিবা পথাপ অসি শেন্মীৎলোগা নক্লবা পথাপ অমনি হায়নসু লৌবা য়াই। হায়বদি শেন্মীৎলোনগী পুক্কে চাওখৎহনগনি হায়বা ৱানি। অদুদি করম্না পুক্কে চাওখৎহনগনি? মদুগী লম্বীসু অদুমক তাকপীরি - ১২শুবা পথাপতা তাক্লিবদি 'খুবাম চাওফরোই' হায়বসিনি। হায়বদি নাপলগা লোয়ননা চাদিং তৌগনু হায়বগী মওংনি। অমুকসু লাইনীংহন ইবুংঙোগী মনাই অচানবা, অহল-লমন কয়াদগী তাজবদা চিনহায় ওইনা পাউমেনলম্বা মপাওদা -"ইঙ্খোলদা কৈথেল কাহনগদবনি' হায়বা অচৌবা ইকনমিক এনভাইরোনমেন্টকা য়াম্না চুনবা ফুরুপ-ফুরুপ ইশা-ইশাগী, ইদোমগী ওইবা ইকনমি ইদোম নীংতম্না মীগী মতেং য়াওদনা নীংতম্না শীজিন্নবা ঙম্বগী পাউজেল অমসু য়েনবীরম্মী। শম্মা হায়রবদা ইবুংঙো মহাক্না তাকপীরিবসি মীতৈ ঐখোয়গী ইকোনোমি অসি সাউন্দ ইকনমি অমা ওইহনবনি। মীওই ফুরুপ অমনা শেন্মীৎলোন্দা শোথবা হায়বসি মীওই ফুরুপ অদুগী ওল রাউন্দ দিভলপমেন্টতা অচৌবা অপনবা অমা ওইবনিনা মায়কৈ অসোমদা ঐখোয়না ৱাখল খন্থবগী মতম ওইরে। ●

## [illegible]/ তোন্সিল ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নীংঙাই লৈতনা হন্না হন্না থাগৎচরি



তোন্সিলনা মতম কুইনা য়াম্না কন্না নাদুনা খৌনাও মনুংদা পোল্লগা চাবা থকপদা পনবা, চাবা থকপদা য়াম্না নাবা, খৌনাও মনুংদা চাথৎলগা য়াম্না চিকপা-নাবা, লোক খুবদা নাই তারকপা, শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, লোক খুবদা য়াম্না নাবা, খাঙবা ঙমদবা, খৌনাও মরেং-মরেং চৎপা, লোক খুবদা ঈ য়াওরকপা, হাকথি তোয়না খনবনা খৌনাও য়াম্না নাবা, হকচাং য়াম্না চোকথবা, ওপরেসন তৌরুবদগী অমুক হৌরকপদগী ওজা কয়ামুদ্দিন ☎ 8413870027, 8837496469 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা MV. Kayamuddin বু মতম চূপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am. 2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm. 3. Tiddim Road Old Bazar ICICI Bank Opp. CCpur, 7:00 am to 4:00 pm

HL-P/3741/14 *থাগৎচরিবা :* **Salam Bikash Meitei,** Kongba

## [illegible]/ ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি, পাইলস ফহনবগীদমক

ঐ পাইলসনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী মচা অমা নাম্থরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চেকখাইরকপা, চেকখাইরকপদা অমাংথোঙদা নাবা, অমাংথোঙ মনুংদা চাথৎপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, চানীংবা পোক্তবা, অদুগা লু-য়াং, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং মপুং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা অবদুলবু থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am to 4pm)

HL-P/3738/14 *থাগৎচরিবা :* **Th. Lokel**, Top Khongnangkhong

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩

১। মীতৈ পুৱারীদা সনা হেরাচন্দ্রগী মিংদি মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি। ডাকু নিংথৌ হায়দুনা।
(ক) ইপুংসি হেরাচন্দ্র করম্বা মৈদিংঙুগী মচা ইবুংঙোনো?
(খ) অৱা লান্দুদা লৈবাক কায়বা হৌখিবদু ১৮১৯গী করি থাদনো?
২। "হেলোইনা মী পুই/মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপান অমদা লৈ।" ৱাফম অসি এম কে বিনোদিনীনা হায়রম্বনি। করম্বা লাইরিক্তা হায়বনো?
৩। "ঐদি/ফনা নঙনা পেমচা ওইদুনসু/নত্তে ঐদি নঙগী বোরাচাউবা/পুরেম্বনি ঐদি ঙাঙ্খলৈমগী।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা রনবীর শারুংবনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "হিংবা শিববু ঐখোয়গী খূত্তা লৈব্রা/ইশা ইথন্তা হেক্তা শিগদ্রা?" পরেংশিং অসিনা 'য়েন্নিংথাগী য়েন্নিং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। "নুংশি করি ওইরসিগে/নুজা ৱাখল থেনমল্লি/নুংশি নশুং লাংগীদমক/কাইখরেনে ঐগী থম্মোয়।" পরেংশিংসি য়াম্না মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

